## এডিটোরিয়েল

# অচুম্বা ৱায়েল চথবদি তঙাইফদবনি

*ঙসি ষ্টেট অসিদা অরুবা খোঙথাং অমা হায়রগদি নহা ওইরিবা ইনখৎলক্লিবা মহৈরোইশিংগী মরক্তা মোরেল ভেল্যু ৱাৎলকপা অসিনি। ঙসিগী নহারোলশিংগী মরক্তা হৌন-লোনচৎ হায়বসি কয়া থওইনদবা অমদি মদুনা মরম ওইরগা থকসি-খাসি ৱাৎলকপনা মীঙ্গৌ-থাগৌদা ফাওবা মথোং খঙলক্তবগী মওং কয়া ঐখোয়না উবা ফংলি। মসি থকসি-খাসি, হৌন-লোনচৎ হায়বসি য়ুম-য়ুমদা ইমুং মনুংগী অহল-লমনশিংনা মচা-মশুদা তম্বীবা ৱাৎপা অমসুং মহৈ-লোইশঙশিংদা তাকপী-তম্বীবগী সিলেবস অমা তোঙান্না হাপ্তবদগীসু ওইবা য়াই। নাকল অমরোমদনা ইংলিস এদুকেসনগী সিষ্টেম অসিনা পুরকপা মহৈ অমসু ওইবা য়াই, নৎত্রগা ঙসি ওইরক্লিবা তংদু-লৈতাদবা লৈবাক্কী ৱায়েল-থৌদা অমসুং পুন্সি মহিংগী সোসাইটি অসিদা লাকপা খেন্নবা অমদি অওনবা কয়া অসিদগী ওইরক্লিব্রা হায়বসি য়াম্না কুপ্না নৈনবা অমা চংই। মসিগুম্বা থকসি-খাসিগী মওংদা হোংলক্লিবা অসি ঙসি ঙরাংতদগী ওইফম থোক্তে, মসিগী চাওনা অওনবা অমা উরকপসিনা তাকপদি কদাইদনো হায়বা খঙদনা অওনবসিগী মপাল-মরু অমা তাখ্রে হায়বসিনি। থকসি-খাসি, হৌন-লোনচৎ খঙদবা নৎত্রগা লৈরক্তবা হায়বসিনা মীওই অমগী ওন্নরবা খুন্নাই অমা হায়বদু ওইহল্লকই। হৌজিক লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা লোইশঙ পূন্নমক অসিদা মীয়ামগী মরল চাদুনা পব্লিক সার্ভেন্টনি হায়রিবা ইমপ্লোইশিংগী মরক্তা মশাগী মথৌ মশক খঙনা থবক শুরিবা মীওই মশীং অসি চাদা ১০ রোম শুরগ্লোই। অনম্বনা মশাগী ওইজবখক্তা খল্লগা শেঙ্গা-থুমজাদা মীৎয়েং থল্লগা থবক শুবা ঙাক্তা ওইরে। মথক থোংবগী পাউতাক লৌদ্রে। মসিদগী মীয়াম্না ফংগদবা য়াইফ-থৌরাং কয়াগী খুদোংচাবশিং অদু মতম চানা ফংবা ঙমদনা লাক্লি। মসিনা লৈঙাক অসি শেন্দোলনা খ্বাং কোয়রবা, মতম চানা থবক লোইশিন্না ঙমদবগী মীৱা তাদুনতা লৈরবা লৈঙাক অমা ওইহল্লকপনি। ইমপ্লোইশিংগী মশানা লৈফম থোকপা দিসিপ্লিন অমসুং মোরেল রেস্পোন্সিবিলিটি অদু লৈরক্তবনা হায়রিবা ফিভম অসি লাকহনবনি। অদুগুম্বা মোরেল রেস্পেন্সিবিলিটি ৱাৎপা নৎত্রগা খঙদবশিং অদুগী মতৌ অদু তুংগী মীরোল ওইরক্কদবশিংনা তম্বদগী ঙসিগী তংদু লৈতাদবা দিসিপ্লিন লৈতবা সোসিয়েল ষ্টেট অসি লাকহল্লকপগী মরম ওইরি। ঐখোয়গী ইরমদম অসিগী পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা হৌন-লোনচৎ, থকসি-খাসিগী অচৌবা তমজনিংঙাই ওইবা মরমচৎ অমা লৈরকপনা মরম ওইরগা তংদু লৈতাবা, ৱাত্ত-পাদবা লমদম অমা ওইনা লৈরকখিবনি হায়বসি খঙবা ফৈ। ঙসিগী লৈঙাক অসিদদি তৌনিং-তৌনিংবা তৌবা, মীচং শঙ্গ নাইবা মওংগী লোনচৎ অমদা লাক্লি। মসিদগী দিসিপ্লিন ফোর্স অমা ওইফম থোকপা পুলিস ফোর্স ফাওবা মীয়াম্না অকিবা পোক্লবা ফোর্স অমা হায়বদু ওইরক্লি।*

*লৈঙাক্কী অশোয়বা কয়া অসি চুমথোক্লে হায়বা তারগদি মরাল লৈবা, মীয়ামগী য়াইফ-থৌরাং কয়া পায়খৎলিবা থবকশিংগা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী ইমপ্লোইশিং, শেল-থুমগা মরী লৈনবা থবক তৌরিবা লোইশঙগী মীওইশিং মথৌ নিংথিনা তৌরিব্রা, শেঙ্গা-থুমজা তৌব্রা হায়বনচিংবা কুপ্না থিগৎলগা অচুম্বা ৱায়েল চথদুনা মরালগী মতুংইন্না চৈরাক খরা পীরবা মতমদুখক্তদা লৈঙাকসিগী দিভলপমেন্ট হায়বদু লাকহনবা ঙমগনি। লৈঙাক্লোইশিংনা মাগী-মাগী নক্লবা মীওইশিং কনখৎতুনা, মরাল কুপশিন্দুনা থম্বদগী কাং-খোং চাইরবা ষ্টেট অমা ওইরকপনি অমসুং অকনবনা অচুম্বা শকপগী চৎনবী অমা লাকহনবনি হায়বসি চুমগদবা মাল্লি।ঙসি-ঙসিগী ওইনা অরানবশিং কুপশিন্দুনা থম্বা ঙল্লবসু, অচুম্বা হায়বা অদুদি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনা চোংথোক্লক্কনি। মতম চানা সরকারগী মায়কৈদগী অশোয়বা অরানবশিং চুমথোক্লবা হোৎনরবতদা লৈঙাক অসিগী মরমচৎ অসি ফগৎলক্কনি অমসুং লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা মীওইশিং অমদি মীয়ামগী চৎনরোল অসি চাউখৎ-মায়কৈদা লাক্কনি। অদুনা তুংগী অফবা, মতিং লৈবা, থকসি-খাসি খঙবা, লমচৎ ফজবা, হৌন-লোনচৎ খঙবা মীরোলশিং শেমগৎপদা অচৌবা মতেং ওইগনি খল্লি।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### স্কুল ভানদা অঙাং ঙারি নম্বা

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

*মতম খরগী মমাঙদা মণিপুর গভর্নমেন্টকী ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা স্কুলগী অঙাং থিল্লিবা ভান অমদি গাড়ীশিংদা অঙাংশিংবু ঙারি নম্বগুম নমশিন্দুনা পুবদু য়ারোই হায়বা নোটিফিকেসন থোকখ্রে। নোটিফিকেসন অদুগী মতুংইন্না গাড়ীশিংনা পুগদৌরিবা অঙাংগী চাং অদু গাড়ীশিং অদুনা রেজিষ্ট্রেসন তৌবদা য়াওখিবা সিট কেপাসিটি অদুদগী চাদা ১ গী চাংদগী হেন্না পুবা য়ারোই হায়বা ৱাফম্নচিংবা য়াওরি। নোটিফিকেসন অসি থবক ওইনা পাঙথোকপদা স্কুল ওথোরিটিগী দাইত্সু লৈহল্লি। অদুবু লাইবক থিবদি স্কুল ভানশিংনা অঙাং পুবগী চাংদি হান্নগী হান্না চথবা উরি। অদুগা গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী অসিগুম্বা গাড়ীশিং অসিগী মথক্তা লৌখৎপা য়াবা থবক লৌখৎপদি উদ্রি। ভান চল্লাইরিবা কাঙবুনা অসিগুম্বা থৌওং অসিদা অঙাংশিংগী ৱাখল অমদি হকচাংদা অৱাবা পী হায়বসি মমাঙদা থোকখিবা থৌদোকশিংনা প্রমান তৌখ্রবনি। স্কুল ভান অমগী অঙাংশিং পুল্লপ ৱাহুরকপগী থৌদোক লৈখ্রবনি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওই সেক্সন পূন্নমক্লা য়ানিংদবা পাক-শন্না ফোঙদোক্লরকপদগী মণিপুর গভর্নমেন্টনা স্কুল ভানদা তোংগদবা অঙাংগী মশীং লেপ্পগী ওর্দর অদু থোকখিবনি। মরম অদুনা ৱাফম অসি লাইনা লৌবা য়াদবা ৱাফম অমা ওইরবনি। অদুবু ঙসি ফাওবদি অঙাংশিংগী মমা-মপা, স্কুল ওথোরিটি, ভান সার্ভিসকী এসোসিয়েসনশিং অমদি গভর্নমেন্টনা মীৎয়েং চংশিনবা উদ্রি। মসি লাইবক থিবনি। ফিভম অসিদদি লমদম অসিদা অঙাংগী হক ঙাক্লবা লৈরিবা গভর্নমেন্ট অমদি লন্নাই লুপশিংনা মীৎয়েং চঙশিন্দুনা অঙাংশিংনা স্কুল কাথোক-কাশিন তৌবদা হকচাং অমদি ৱাখল ৱাহন্দনবা শিনবীনবা থবক লৌখৎফম থোক্লে হায়জনিংই। হিরম অসিদা এদিটরগী মীৎয়েং চিঙশিঞ্জরি।*

*অদোমগী,*
*থোকচোম কালঞ্জয় সিংহ*
*পোইরৌ খোংজিন*

# নুপীগী কেন্সর অমসুং মসিগী লায়েং

ডা. কে ঐচ জাতিশ্বর সিংহ

কেন্সর হায়বা লায়না অসি মীয়াম্নদি হৌজিক য়াম্না কিন্নরি অদুবু মসি য়াম্না নৌরিঙৈদা খঙহৌদুনা লায়েংহৌরবদি শোয়দনমক্কী পুংফ-ফহনবা ঙম্বা অনাবনি। লায়না অতৈসু অদু মঙাই থেংথনবু খঙলক্লবদি লায়েংবগী মতম হেন্দোকখিদুনা ফহনবদা ৱানা থোকই। টিঃবিঃ, ডাইবেটিজ, শিরোশিস, ব্লড প্রেসরনচিংবা অনাবশিংসু নৌরিঙৈদা লায়েংহৌদ্রবদি খুদোং য়াম্না চাদে।

**নুপীগী কেন্সরঃ**

নুপীগী কেন্সর হায়রগা ঐখোয়না খঙনরিবসি, নুপীগী হকচাং কয়াৎকী শরুক্তা কেন্সর থুংলকপবুনি। হায়বসি নুপীগী অমাংথোঙ, হকচাংথোঙ, অঙাংখাওগী মচিন, অঙাংখাও, হকচাং মনুংগী অঙাংলম্বী, অঙাং মরূ হুনফম অমসুং থবাক (খোম) নচিংবদা পক্লকপা কেন্সর মখলবুনি। লায়না অসি থুংলক্লিবা হকচাং কয়াৎশিং অসি, নৌরিবী মশা-মশানা নৌরিঙৈদা হেক্তমক ইরাই লাইনা খঙউবা ঙম্বা নত্তবনিনা, মশানা খঙজরকপা মতমদদি থেংথরবনিনা লায়েংবদা খুদোং কয়া চাগন্দে। মরম অদুনা, নৌরিঙৈদা লায়না অসিবু খঙদোকপা হায়বসি তঙাইফদে। মদুগী অমত্তা ঙাইরবা উপাইনা নুপী ওইবীশিংনা তোইনা কেন্সর স্ক্রিনিং তৌথোকপা হায়বসিনি। ওষ্ট্রেলিয়া, অমেরিকা, য়ু কেনচিংবা য়াম্না চাউখৎলবা লৈবাকশিংদা ফাওবা নুগী ৫ শিবগী মনুংদা ১ দি কেন্সরদগীনি। অদুগা কেন্সরনা নারিবী চামদা ৫০ না অঙাংখাওগী মচিন্দা, ৩৬ না অঙাংথাওদা, ১৩ না অঙাং মরূ থোরকফমদা, ৪.৮ না অমাংথোঙদা, ২ না হকচাং লম্বী (Vagina) দা অদুগা ০.২ না পুক্লুংগী অঙাংলম্বীদা (Fallopiantubes) ওইগল্লি। অদুগা কেন্সরগী লায়ননা নাদুনা শিরিবা পূন্নমক্কী চামদা ১৬ রোমনা নুপীগী হকচাং কয়াৎতা অহানবা ওইনা নারকপদগী ওইগল্লি। হৌজিক্তি কেন্সরদগী লায়নানা শিরিবশিংগী চামদা ৫৫ রোমদি অঙাং মরূ হুনফমগী কেন্সরদগী ওইনা তৌই।

**করম্বা নুপীদা কেন্সর পক্কল্লিঃ**

ৱাফম অসি হকচাংগী কয়াৎ মতুংইন্না তোঙান তোঙাল্লি।খ্বাইদগী তোইনা থুংগল্লিবা অঙাংখাও মচিনগী কেন্সর (Cancer cervix) অসি চহী ৩৫ গী মথক ওইবী য়াম্না নৌনা য়ুম পাল্লকপী, চয়াম পোকপী, লাইরিক লাইশু হৈজদবী, লাইরবী নুপীশিংদা অয়াম্বা ওইগল্লি।

য়াম্না চহী নৌনা, য়াম্না তোইনা হকতিন্নগনবী অঙাং য়াম্না পোকপী, হকচাং মনুং চমোৎ-চমোৎপী, মফি মরোল মোৎকনবী নুপীশিংসু চাদা ৯৫ দি কেন্সরনা নাগল্লি। অমরোমদা সমাজ অমদি জাতিগী ওইবা মরম (Social, genetic & racial) কয়ানসু লায়না অসি পোকহনবগী মরম ওই। হায়বদি লায়রবী, লাইরিক লাইশু হৈজদবী নুপীশিংনা, লাইরিক হৈবী ইনাক-কৈরাক খুনবী নুপীশিংদগী শরুক ২০ লোম হেন্না লায়না অসি নাগল্লি। শন্না হায়রবদা, লায়না অসি পোক্লকপা য়াবগী পঞ্জখ্রিবা মরমশিং অসি লাইরবী লাইরিক হৈজদবী নুপীশিংনা হেন্না ওইগল্লি। মরম অদুনা, মখোয়দনা অঙাংখাও মচিনগী কেন্সর অসি থোকহল্লি। করিগুম্বদনা, অঙাংখাও মচিন্দা মহিক চংখিবদগী, চাফৎতুনা মরেং-মরেং চৎপনচিংবা মহিক্কী (ভাইরস) অনাবশিংগীসু কেন্সর ওইরকপগী মরমসু ওই।

**করি খুদমদগী করম্না কেন্সর লৈরে খঙগনিঃ**

য়াম্না নৌরিঙৈদদি কেন্সরগী চপ চাবা করিগুম্বা মওং অমত্তা খঙবা ঙমদে, উবসু ফংদে। অদুনা য়াম্না নৌরিবা তাঙ্কক্তা কেন্সর লৈরব্রা নৎত্রগা লৈরক্কদৌরিব্রা হায়বদু খঙদোক্লবগীদমক য়াম্না কুপ্না য়েংবা তাই। অঙাংখাও মচিনগী কুয়োম তৎলবা / চাফৎলবা / লায়জৌরবা মতমদতা খুদম ওইনা অঙৌবা চৎপা, ঈ থোকপা অমদি মচু শেংদনা ফিভৌ চৎলকপা থেংনগনি। কনাগুম্বী খরনা নুপাগা ফমতিন্নরুরবা মতুংদা 'ঈ' উরকই। খোং হাম্বগী শংলুবা অমদি অঙাংথোঙ মচিন্দা থেংলুবা শোকপনচিংবদগীসু ঈ খরদং উবা ফংই। মমৈথংদদি নমথিবা মহি লাংবা, মচু শেঙদবা ওইনা চঙলকই। মতুংদা কা হেন্না কুইশিল্লক্লবদি ঈশিং তোইনা চৎপা ঈশিং চৎপদা শাবা, থুপ্পা, ঈশিং লেপ্তুনা চক্তুনা লৈবা (য়ুবা) (Urinary in continence/ fistula), অমাংথোঙদা নাবা, হকচাং মনুং খ্বাংদা নাব, খোংচিংবগুম তৌবা-নাবা, ঈশিং য়াফম য়েকপা, খোং পোমখৎপা, য়াং কংথরকপা, চানিং থক্লিংবা পোক্লক্তবা অমদি তরংদা লৈবনচিংবা খুদম কয়াসু লাকই। অরোইবদদি হেক য়েংবদা কেন্সরনা নারবা মীওইনি হায়দুনা য়াম্না লাইনা খঙবা ঙমই। মশাদু 'ঈ' থোংলক্তে, তাইফেৎ তাইরকই অমসুং মমীৎ তন্দন পাইবা, কোক ঙাওবা, থুক-থুক লাওবা হৈনিংদবগা লোয়ননা ঈখেং ওইনা তোইনা লেপ্তুনা চৎথরকই।

অহল খরা ওইবী থাগী খোঙচৎ লেপখ্রবী অঙাং য়াম্না পোক্তবী, ঈশিং পুকচৎনা নাবী (Diabetic Woman) ব্লড প্রেসর ৱাংবী অমসুং মশা নোয়বী নুপীশিংসু অঙাংখাওদা কেন্সরনা নাগল্লি। থাগী 'ঈ' খমখ্রবা তুংদা 'ঈ' চৎলকপা নৎত্রগা 'ঈ' কা হেন্না চাং নাইদনা চৎলকপসু তৌগল্লি। করিগুম্বা অঙাং মরূ হুনফমদা কেন্সরনা নারবদি পুক্তা মতুম লৈবা থেংনবগা লোয়ননা পুক্লুংদা ঈশিং লৈবা, পুক নাবা, চানিংদবা অমদি শোম্বুরকপনচিংবা কয়া খুদম ওইনা থেংনৈ। হায়রিবা মফমশিংদা কেন্সরনা নারবদি নৌরিঙৈদা খঙনবা হোৎনবদা অমুক্কসু হেন্না ৱানা থোকই খঙফম থোকপা চিংনবা য়াবা খুদমসু লৈগন্দে। অদুনা অসিগুম্না ফিভমসিদদি য়াম্না খঙ-হৈরবা (Experience লৈরবা), মমাঙদা অসিগুম্না লায়নাবু তোইনা থেংনখ্রবা ডাক্তরতনা অনাবদুবু মমুৎ তানা থিদোকপা ঙমগনি। নৌরিবা (Experience লৈত্রিবা), ডাক্তর ওইরবদি খঙবদা য়াম্না লুনা থোক্কনি।

**নৌরিঙৈদা করম্না খঙদোক্কনিঃ**

কেন্সর নৌরিঙৈদা খঙদোক্লবগীদমক্তদি ডাক্তর মশানা লায়েংলিবী নুপী অদু অনাবা নুংঙাইতবা লৈবরা তক্তনা হংবগা লোয়ননা নুপীদু কেন্সরনা শোয়দনমক নাদে, নাদ্রি, নারক্কদবা লৈতে হায়বদু তশেং-তশেংনা খঙদোক্লবা হোৎনবিগদবনি। য়াম্না কুপ্না ৱারী শাদুনা করি-করম্বা চিংনবা য়াবা ৱাফম লৈবগে হায়বদু চপ চানা খঙদোকপিনবা হোৎনবিগদবনি। নুপী মশাদু য়াম্না কুপথনা নিংথিনা য়েংথোকপীরগা, তুংদা তৌফম থোকপা চাংয়েং (Investigastion ) পূন্নমক চিথদনা তৌথোকপিরবদি কেন্সরবু য়াম্না নৌরিঙৈদা খঙদোকপা ঙমগনি। খজিক্তুং চিংনরবদি শোয়দনমক Vaginal অমদি Cervical Smear লৌদুনা PAP study তৌরগা শেলশিংবু কুপ্না য়েংথোকহৌগদবনি। দরকার লৈরবদি Cervical Biopsy, Endometrial biopsy অমদি চিংনবা মফমদুগী Biopsy (হকচাং শরুক্কী মচেৎ লৌরগা চাংয়েং তৌবা) তৌদুনা কুপ্না য়েংহৌগদবনি। অসুম্না য়েংথোক্লবদি নুপী অদু কেন্সরনা নাই নাদে হায়বা লাইনা খঙদোকপা ঙমই। হৌজিক্তি হকচাং কয়াৎ অদুদা হকথেংননা থাদুনা য়েংবা য়াবা খুৎলাই, কোলপোমাইক্রোস্কোপ (Colposcope/ Colpomicroscope) কী মতেংনসু নৌরিঙৈদা কেন্সরনা নারে নৎত্রগা নারকপা য়াই হায়বদু খঙদোকপা ঙম্লে। ডাক্তর মশাগী হৈথোই শিংথোইবা (Experience) অমদি থিজিনবগী উপাই কয়ানা য়াম্না চেকশিন্না য়েংলবসু য়াম্না নৌরিঙৈদা কেন্সরবু খঙদোকপা ঙমই। লাইবক থিবদগী অঙাংখাও মশামক্তদা নারবদি PAP Snear, Biopsy অমসুং Fractral D&C তৌদুনা তৌবা য়াবা চাংয়েং খুদিংমক চিৎথদনা তৌথোক্কদবনি, দরকার লৈরবদি Aspiration Biopsy সু তৌগদবনি। অঙাং মরূ হুনফমগী কেন্সরসু Staging (কুইনা । কুইদনা খঙদোকপা) তৌরগা লায়েংনৈ। মসিগীদি Laparotomy (পুক হাংদোকপা) তঙাইফদে। পুক হাংদোক্লিঙৈদা কয়াৎ অদুগী লৌথোকপা য়াবা শরুকমখৈ লৌথোক্তুনা Staging গী মতুংইন্না মৈ য়াইবা, হিদাক চাবা নৎত্রগা অনীমক পুন্না চথবা য়াই।

**কেন্সরদগী ঙাকথোক্লবা উপাইঃ**

ঙসি ফাওবদি কেন্সরদগী তশেংনা ঙাকথোকপা ঙম্বগী উপাই লৈত্রি হায়বা য়ারি। ইশা-ইশানা চেকশিনজবা, নৌরিঙৈদা লায়না অসিবু থিদোকপা, খঙদোকপা অমদি লায়েং হৌবা নত্তনা অতৈ অথোইবা উপাই লৈত্রি। য়ারিবমখৈ চহী নৌনা নুপাগা ফমতিন্নদবা, লুহোংদবা, অঙাং নাওরোন খুহন্দবা অমদি য়ামদবা, হকচাং নান্না লৈবা, অরুবা ফিরোল শিজিন্নবা, হকচাং নোইপেন্না লৈনবা হোৎনবা অমদি তোয়না নুপাগা হকতিন্নদবা, নুপা মখল মথেল নাইনা তিন্নদবা অসিনচিংবশিং অসি কেন্সর থিংনবগী উপাইনি হায়বা লৌবা য়াই। কেন্সরদি অতৈ অনাবগুম্না (TB, Cholera, Tetanus, Typhoid, etc.) হিদাক কাপ্পগা হেক্তা ফরগনি হায়বা লৈতে। মরম অদুনা নুপীশিংনা য়াম্না চেকশিঞ্জবগা লোয়ননা তোইনা কেন্সর লৈ / লৈতে (Cancer screening) য়েংথোকপীবনা কেন্সরদগী ঙাকথোক্লবা থোইদোক্লবা উপাইনি।

**করম্না লায়েংগনিঃ**

কেন্সর লায়েংবগী থৌরাংসি নারিবা নুপীদুগী হকচাং কয়াৎকী শরুক অনাবগী তাঙ্কক (Stagging), লায়েং থৌরাংগী খুদোংচাবা অমসুং নুপীদুগী হকচাংগী ফিভম অতোপ্পা অনাবা লৈব-লৈতবা পূন্নমকসিগী মতুং ইল্লি। খ্বাইদগী তোয়না নারিবা মফমদি অঙাংখাওগী মচিন্দনি (৫০%) মথংদা অঙাংখাওমক্তদনি (৩৬%) অঙাং মরূ হুনফমদনা চাদা ১৩ নি। মসিদি পুক্লুংদা লৈখিবনা ঙল্লিঙৈদদি খঙবা ৱাই অয়াম্বনা য়াম্না থেংনা লায়েংবা হৌগল্লি অদুনা লায়েংবা ৱানা থোকই। Vulval cancer (ফিনুংগী মপান ওইবা হকচাং শরুকশিং) না ৪.৮% ওইরবসু হকচাংগী মপান্দা ওইবনিনা ঙল্লিঙৈদা অনাবদু খঙবা ঙমই অদুন্নমক মশানা ইকাই-হঙ্গৌইবদগী য়াম্না থেংনা ডাক্তরগা তান্নবদগী লায়েংবদা ৱানা থোকহল্লি। Vaginal (হকচাং থোংঙ) কেন্সরনা চাদা ২ দনি। মসিসু Vulval cancer গুম্না ঙল্লিঙৈদা খঙবা ঙম্লগসু নুপী মশানা কুইনা লোক্তুনা থম্বদগী থেংনা লায়েংবা হৌই। খ্বাইদগী তাংনা থোকপা অমদি ঙল্লিঙৈদা খঙবা লুনা থোকপদি fallopian tube কী কেন্সরনি, মখল অমনা থবাক্কী কেন্সরনি (Breast cancer), মসিসু নৌরিঙৈদা লায়েংলবদি য়াম্না লাইনা কোকপা ঙমই। কেন্সর হায়বসিমক্তবু নাবা হৌখ্রবদি য়াম্না য়াঙনা মফম অতৈদা শন্দোকই। ঈগী শিংলিদা, হকচাং কয়াৎকা হেক থংনবা ইন্দ্রিগী শরুক্তা, লিম্ফেতিক্কী মরীদগী (তিশুশিংদা) অতৈ মফমদা হেক্তা শন্দোকখি। অদুনা মসি য়ারিবমখৈ নৌরিঙৈদা খঙদোক্লবা হোৎনবিগদবনি।

**লায়েংবগী নীয়মঃ**

কেন্সরনা নারিবা মীদুবু লায়েংবা তারবদি, লায়েংনবগীদমক্তা ষ্টেজ কয়া থোক্না খায়দোকই। অখঙ-অহৈ ডাক্তরশিংগী লুপশিংনা য়ানদুনা ষ্টেজ জিরোদগীনা মরি ফাওবা চাওরাক্না খায়দোক্লগা মদুগী মতুং ইন্না মৈ য়াইবা (Radiotherapy) নৎত্রগা ওপরেসন তৌবা নৎত্রগা হিদাক থাবনচিংবা তৌদুনা লায়েংনৈ। অনাবা মশাগী ফিভম ঈগী চাং, শোনবা, অতৈ অতোপ্পা অনাবা লৈবা-লৈতবা অমদি কেন্সরদুগী ষ্টেজনচিংবা পূন্নমক্কী মতুংইন্না লায়েং মওং লেপ্পে। অয়াম্বনা ষ্টেজ অনী ফাওবদি ওপরেসন তৌনৈ। য়াম্না নৌরিঙৈদা লায়েংহৌরবদি পুংফ ফবগী চাং অসি চাদা ৪০ দগী ১০০ ফাওবনি।

অঙাংখাওমক্তংদা নারবদি ওপরেসন অমসুং মৈ য়াইবখক্তংনা লায়েংনৈ। অতৈ মফমগীসু ষ্টেজ-ষ্টেজদুগী মতুংইন্না মৈ য়াইবা, ওপরেসন তৌবা, হিদাক চাবা অনী নৎত্রগা লায়েং মখল অহুমক পুন্না চথনৈ। অরোইবদা, খঙফম থোকপদি চহী ২৫ দগীবু হেল্লবদি য়ুমপাল্লবী অমদি অঙাং পোক্লবদি কেন্সর Screening তোইনা তৌবা অসি তঙাইফদে। লাইবক থিবদগী লায়না অসিনা নারক্লবসু য়ারিবমখৈ থুনা ঙল্লিঙৈদা খঙদোক্লবা হোৎনদুনা চপ চাবা ষ্টেজ অদু খঙদোক্লগা য়াম্না নৌরিঙৈদা লায়েংথোকহৌবা হায়বসি কেন্সরদগী ঙাকথোক্লবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি।

# মীৎ নাবা (কঞ্জঙ্কটিভাইটিজ)

ডা. কে নরেশকুমার সিংহ

ঐখোয়না মীৎ নাবা হায়দুনা খঙনরিবা-মীৎ ঙাংবা, পি তাবা, মীৎশাং কাবা মখলগী মীৎতা নাবা লায়না অসি conjunctivitis হায়না কৌই। মসি মীৎকী মপান থংবা অঙৌবা কুয়োম 'কঞ্জঙ্কটিভা' হায়বা অসিদা নাবা লায়না মখলনি। অয়াম্বনা মসি মহিক্না থোকহনবা য়াম্না লৌনগনবা লায়না ওইরবসু নুমিৎ ৫ / ১০ নিগী মনুংদা ফগল্লি, মসিদা তুংকৈইনা মীৎ মমশনবা নৎত্রগা তঙব-খোৎপা পাক্না য়াওগন্দে। অদুবু মীৎ নাবগী মওংদা মীৎ ঙাংলকপা অমদি মীৎ তাঙখিবা য়াবা মীৎকী লায়না মখল খরা লৈ। মদুগী পনবা য়াবদা Acute glaucoma অমসুং Iridocycilitis নি।

কঞ্জঙ্কটিভাইটিজ অসি য়াম্না লৌনগনবা মহিক্না থোকহনবা "Infective conjuctivitis" হায়বা অমগা, এলর্জি তৌদুনা থোকপা লৌনগনদবা "Allergic conjunctivitis" হায়বা অমগা মখল অনী লৈ। অদুগা কঞ্জঙ্কটিভাইটিজ থোকহল্লিবা মহিকপুনা বেক্টেরিয়া, ভাইরস অমসুং ফঙ্গস হায়দুনা মখল অহুম লৈ।

গোনোরিয়াগী মহিক্না থোকহনবা পোকপদা ঙাইরিবা অঙাংদা নাবা ওফথালমিয়া নিওনাটোরম হায়বা অমনা মমাঙঙৈ এন্টিবাইওটিক ফজনা থোক্ত্রিঙৈদা মীৎ তাংবগী মরুওইবা মরম অমা ওইরম্মী। মহিক অসিনা অহলদসু য়াম্না শাথিবা পুরুলেন্ট কঞ্জঙ্কটিভাইটিজ হায়বা অমা থোকহল্লি। ডিফথেরিয়া হায়বা অঙাংগী খৌনাওদা নাবা লায়না মখলগী মহিক্লসু মীৎতা শোকহনবা "Membranous conjuctivitis" হায়বা অমা থোকহনবা য়াই।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা কঞ্জঙ্কটিভাইটিজ মখল অনীমক য়াম্না শাথী। চেকশিলহৌদ্রবদি মীৎ নহা শায়দক্তুনা মীৎ তাংহনবা ঙম্বা লায়নানি। হায়রিবা অনীসি নত্তবদা কঞ্জঙ্কটিভাইটিজ থোকহনবা বেক্টেরিয়া মখল কয়ামরুম অমসু লৈ অদুবু মখলশিং অদুদি কয়া শাথিদে।

হৌজিক-হৌজিক মণিপুরদা পাক-শন্না শন্দোক্লরিবামীৎ নাবগী লাইচৎ মওং অসিদি ভাইরসনা থোকহনবনি। নারিবা মীশিংগী মীৎ ঙাংবা, পি তাবা, মীৎ মনুংদা করিগুম্বা পোৎ অমা লৈবদৌনা তৌবা, মীৎ চিকপা, য়াম্না থুনা মীৎ অনীমক্তা লানশনগনবা নারুমদা পোম্বা তৌগল্লি। মসিদা নত্তনা লোকলাইহৌগসু লোয়নগল্লি।

অসিগুম্বা ভাইরসকী লাইচৎ অসি চহী ৪ / ৫ গী মনুংদা হেক-হেক তৌগল্লি। মদুসু জুলাইদগী সেপ্টেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা অয়াম্বনা থোক্কল্লি। মসি করিগুম্বা মতমদা চুম্না মীৎ ঙাংবদা নত্তনা শিংলি মচা তক্তুনা ঈ থোকপা ফাওবা য়াই। ফুবদা খাম্বদৌনা মপাক-মপাক লৈবা য়াই। মসিদা নত্তনা পি তাবদা ঈ য়াওরকপসু য়াই। লাইবক থীবা খরদদি মীৎ নহাদা ঙৌদোং খরা থুংলকপসু য়াই। নাবা হৌরকপগী ভাইরসনা হকচাংদা চংখ্রবা মতুংদা অতোপ্পা বেক্টেরিয়া খরসু চংশল্লকই। য়াম্না নুংঙাইত্রিবা অপোম-মতং তৌনরিবা অসিদি লোয়নরক্লিবা বেক্টেরিয়া অদুনা য়াম্বা থোকহনবনি।

পৃথিবীগী মফম অয়াম্বদা চহী ৪। ৫ গী মনুংদা হেক-হেক থোক্লরিবা 'ভাইরেল কঞ্জঙ্কটিভাইটিজ' গী লাইচৎপু থোকহল্লিবা ভাইরস খরদি " Adreno Virus", Entero Virus, Coxackie virus", Herpes virus, Picorna virus" অসিনচিংবনি।

খৃঃ ১৯৯৪ দা, "Coxakie A 24" অমসুং " Enterovirus 70 (Ev 70) হায়বা ভাইরস মখল অনী অসিনা দেলহিদা মীৎ নাবগী লাইচৎ থোকহনখি। অসিগুম্বা ভাইরস কঞ্জঙ্কটিভাইটিজ অসি ফহন্নবা চপ চাবা হিদাক এন্টিবাইওটিকনচিংবা হৌজিক ফাওবা লৈতে। লোয়নরকপা বেক্টেরিয়াদু থিংনবগীদমক্তি ঐখোয়না অচম্বা "Broad spectrum Antibiotic Drop" পীগদবনি। "Steroid" য়াওবা দ্রোপ শিজিন্নবা য়াদে। মদুনা মীৎকী ঙাকথোক্লবগী পাঙ্গল শোম্বুহন্দুনা মীৎ নহা শায়দৎপা য়াই।

মতিক চাবা হিদাক লৈতবনিনা লায়না অসিনা পাক-শন্না শন্দোক্তংনবা হোৎনগদবনি। লায়না মখল অসিদি অনাবা মীনা শিজিন্নবা রুমাল, ফদি (টাৱেল) অমসুং ফি-রোলদগী অমনা অমদা লাইনা শন্দোরক্তুনা লৌনরকপা য়াই। মরম অদুনা মখোয়শিং অসি পুল্লোইদবনি। ভাইরস খরদি মীৎ ঙাক্তা নত্তনা শ্বর হোনফম উতোং হায়বদি "Upper Respiratory tract" তসু নাহল্লকপা ঙম্মী। অনাবা মীনা শ্বর হোন্দোরকপদা মহিক অসি য়াওরকপা য়াই। মরম অদুনা নাদ্রিবা মীনা অনাবগা য়াম্না নকশন্না লৈরোইদবনি। ঈরোইফম পুখ্রি অমদি পুখ্রিদা ঈরুজবা মতমদা ভাইরস অসি ঈশিংদা লৈহৌবা য়াই। অদুনা মী অমনা ঈরোইবা নৎত্রগা ঈরুজরুবদা মহিক অদুনা অমুক চংলকপা য়াই। মরম অদুনা মীৎ নাবগী লায়না মখল অসিনা নারবা মীওইশিংনা পুখ্রিদা অমদি স্থিমিং পুলদা ঈরুজশনবা অমসুং ঈরোইবনচিংবা তৌরোইদবনি।

অনাবা মীদা হাপ্পা হিদাক্কী লিক্লি মতোন অদুনা মীৎতা শোক্লুরবদি মদুদা মহিক পক্লকপা য়াই। অদুনা নারিবা মীনা শিজিন্নবা হিদাক লিক্লি অদুসু অতোপ্পা নাদ্রিবা মীনা শিজিন্নবীরোইদবনি।